**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-09-2025)**

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-ম্যান্মারদগী আইন কায়না মনিপুরদা চংশিল্লকপা মী মশিং মীয়ামনা চিংনরিবা চাংদগী হেল্লমগনি হায়বগী অকিবা লৈরে। মসিদা অকনবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেননা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নার ফোর রিফ্যুজিজকী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়-হৌখিবা ইং কুমজা ২০২১ দগী হৌনা ভারত্তা ম্যান্মার মচা লিশিং ৬৪,৩০০ আইন কায়না চংল্লকখি। অদুবু, আইন কায়না চংলকখি হায়রিবা মী মশিং অসি ওফিসিএল ওইবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইবনি। ওফিসিএল ওইদবা মীওই কয়া অমসু চংশিল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অসিনা ঐখোয়না হৌজিক তুমিন্না লৈথোকপগী মতম নত্তে। লমদম অসিগী মীয়ামবু মীতোপশিংনা খুদুম চনশিনদ্রিঙৈদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা হীরম অসিদা অকনবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈরে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফম অনিদগী নিশা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং পুরম্বা মীওই মঙা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খোমীদোক কারোং খুলদগী মীওই মরি ফাখি। মখোয়দগী বাইলস মরিদা হাপ্লম্বা গ্রাম ১২৯ গী হেরোইন পাউদর, অহাংবা বাইলস ১৩৭, সিরিঞ্জ ১৪, মোবাইল ফোন তরেৎ, শেল ওইনা লুপা লাখ অমা লিশিং ২৩ হেনবগী শেনফম ফংখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা মনিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খেকমন মখা লৈকাইদগী মীওই অমসু ফাখি।

মীওই অসিদগী নিশা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা গুলি বোক্স মঙা অমসুং লোক খুবগী হিদাক বোটল ১৬ ফাখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী চিং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চথুরি হায়রি।

পুলিসকী পাউগী মতুং ইন্না মফম ১১৩ দা চ্যেক পোহন্ট হাংদোক্লুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী চাইরেন মাংজিং অমদি ককচিং জিলাগী পাংগলতাবী চাইরেল খুঞ্জাউদগী আইননা থিংখ্রবা লুপ প্রিপাক (প্রো) গী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ঙারিয়ানদা লৈবা চ্যেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিংনা চেক তৌবদা আইননা থিংখ্রবা লুপ প্রিপাক্কী এক্তিব কাদর অনি ফাখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইফম খুনৌ মখা লৈকাইদগী য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমসু পুলিসনা ফাগৎখি হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** ভারত লান্মীগী স্পিয়ার কোর্পসনা শিনদুনা জিরিবাম অমদি তমেংলোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওজাগী নুমিৎ পালন তৌখ্রে।

ওজাশিংনা তুংগী য়ুন্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংবু তাকপী তন্বীদুনা খুন্নাই অসিগীদমক লৌরিবা থৌদাংবু ইকায় খুমবা উৎনবা থৌরম অদু পাঙথোকপনি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী খৌপুমদা লৈবা খাংশিলুং গভরমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ওজাগী নুমিৎকা মরী লৈননা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি অমদি উ চারা কয়াসু থাখি।

অমরোমদা, ভারত লান্মীনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপীদা ওনম কুম্মৈ পাঙথোকখি। তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংবু অমত্তা ওইনা নুংশি

চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপনি।

**স্কিম (এল)ঃ** গোল্ড ফ্লেগসিপ স্কিমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙরাং তমেংলোং হেদক্বাটরসতা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অসি 'মাই ভারত, মেরা য়ুব ভারত' তমেংলোংনা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিগী মরুওইবদি পান্দমদি, নহাশিংবু শান্ন খোৎনবগী লমদা হেন্না পুকিং চংহন্নবনি। ৱার্কশোপ অসিদা নহা ৮০ য়াওনা তোঙান তোঙানবা য়ুথ ক্লবশিংগী মীওই ৩২ শরুক য়াখি।

**মৈ (এল)ঃ** এলবেন কে.ভি. হৈঙাং ফিদরগী মখাদা লৈবা অচানবিগৈ, খাবম, হৈঙাং অৱাং, লুৱাংশংবম মখা অমদি মতাই পুরিবা এলবেন কে.ভি. লাইনশিং শেমজিন শাজিনগদবনা মরম ওইদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায়দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ মখায় ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না আই.ই.দি. ফোর এম.এস.পি.দি.সি.এলনা হায়রি।

**জিএসটিঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-অনৌবা জি.এস.টি. রিজিম অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা শ্রীমতি নিরমালা সিতারমননা হায়-অনৌবা জি.এস.টি. অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী শেল থুমগী পোৎলুম হন্থহন্নদুনা মীয়ামনা মশাগী শেল তুংশিনবগী চাং হেনগৎহল্লগনি। মসিগী মথক্তা সরকারগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু হান্নগুম অপনবা য়াওদনা চংশিনগনি।

পেট্রোল্লিয়ম অমদি অহলকোহোলগী পোৎথোকশিংদি জি.এস.টিনা কোনশিল্লোই। অমরোমদা, আমেরিকানা ভারতকী পোৎথোকশিংদা থল্লকপা চাদা ৫০ টেক্স লৌবগী ৱাথোক অসিনা মপান লমদা পোৎ-চৈ থাদোক্লিবা

লৈবাক অসিগী লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরিবশিংদা পীরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহ্নবা ঙমবা হোৎনরি।

**হাউজিংঃ** লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামবু লাইর-অনং খায়দনা অফবা য়ুমদা লৈহন্নবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা মপুং ফানা চৎনহন্নবা অনগীকর-২০২৫ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু হাউজিং এন্দ অবার্ন এফিয়ার্স মন্ত্রি-মনোহর লালনা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা (অবার্ন) টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা পীখৎলকপা এপ্লিকেসনশিং ফার্ষ্ট ত্রেক ভেরিফিকেসন তৌদুনা অথুবা মতমদা সরকারনা শেল থাদুনা হান্ননা শাবা হৌখ্রবা য়ুমশিং লোয়শিনবদা মতেং পাংগনি।

প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা অবার্নগী মখাদা য়ুম কোতি অমা লাখ ২০ শানবা শেনফম কায়থোকখ্রে। মসিগী মনুংদা পাকা য়ুম লাখ ৯৪ শাবা লোয়দুনা বিনিফিসরিশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। মন্ত্রিনা হায়-অনগীকর কেম্পেইন অসিনা লেমহৌরিবা য়ুমশিং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**হোকি ঃ** বিহারগী রাজগীর ইন্টরনেসনেল ষ্টদিয়মদা চৎথরিবা এসিয়া কপ হোকি চেম্পিয়নসিপকী সুপর ফোর ষ্টেজগী মেটচ অমদা ঙসি ভারতকা চাইনাগা থেংনরগনি।

ভারতকী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখিবনি। মসিগা লোয়ননা সুপর ফোর গ্রুপতা পোইন্ট মরি ফংদুনা ভারতনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সু শাংদোকহনবগী এগ্রীমেন্ট মনিপুর লৈঙাকা ঙাকা চৎকনি, ফ্রি মুভমেন্টকীদমক য়ান্নখিববুসু ইকায় খুমগনি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সু এগ্রীমেন্টকী খুৎয়েক পীনখ্রবসু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী দিমান্দ হন্দোকপা লৈতে হায়না সু গ্রুপশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি-মোরনিং বেলদসু অহানবা হেদলাসন পীদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন অসি সু তৌনখিবগী থৌওংদা সি.এস.ওশিংনা তুমিন্না লৈশিল্লোইদৌরি হায়বা হেদলাইন অসিনি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সু খুৎয়েক পীনখিবা য়েলহৌ ফুরুপকী মায়োক্তনি হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা সব হেদলাইন ওইরি। অনিশুবা সব হেদলাইনদা সু শাংদোকপা হায়বসি মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়বা ফোক্সকী ৱাফম ফোংবা থেংনরে।

সসপেন্সন ওফ ওপরেসনগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা অমদি সি.এস.ওশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরকপদা য়ুম্ফম ওইবা পাউশিং-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমদি মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস য়াওনা পাউ চে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

নেকম জোমহাউগী মীহাৎদু সসপেন্সন ওফ ওপরেসনদা য়াওরিবা কে.আর.এগী থৌওংনি হায়বা য়াজরে হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

তমেংলোংদা ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। কুকি অমদি মীতৈগী মরক্তা বফর জোন ঙাক্তুনা থমগদবনি হায়বা য়ু.পি.এফ. অমদি কে.এন.ওগী ৱাফম দা চম পাউচেদা

অহানবা হেদলাইন পীরি।

নেসনেল হায়ৱে ১২৯ (এ) মরাম-পরেল লম্বী মতম কুইনা য়েংশিনবীদববু এন.পি.ওনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে হায়না হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীরি।

প্রাইম মিনিস্তর লাকপগী কন্না শেমগৎ শাগৎলি হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

মনিপুরদা পোপুলর মিনিষ্ট্রি লৈহনবগী ৱাফম প্রাইম মিনিস্তরগী খোঙচৎ মতুংদা লৈখায় তাগদৌরি হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউদা অখন্নবা পাউ ওইনা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

লম্বী ফগৎহন্নবা প্রোজেক্টকী মখাদা নোর্থ ইষ্টতা অহানবা ওইনা কোনুং লম্বীদা হ্বাইট তোপ্পিং থাখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।